## বোম্বুলা শাফম মৈ চাকপদা ৮ শিরে ১০ শোক্লে



বালাঘাত, জুন ৭ঃ

মাধ্য প্রাদেসকী বালাঘাত দিষ্ট্রিক্কী মনূং চনবা ভাতাল খুঙ্গংদা লৈবা বোম্বুলা শাফম অমা মৈ চাকপদা শিন্মী ৮ শিরে অদুগা ১০না অশোক অপন নংখ্রে।

কোটৱালি পুলিস ইষ্টেনসনগী মনূংচন্না লৈবা ফেক্তরি অদু ডিষ্ট্রিক হেদক্কাতরদগী কিলোমিটর ১০ রোম লাপনা লৈবা মফমনি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পূং অহুমলোম তাবদা মৈ অদু হৌরকখি। মফম অদুদগী অশিবা হকচাঙ ৮ ফঙবা ঙম্লে অদুগা শোক্লবা মীওইশিং অদুনা মনাক নকপা হেস্পিটালদা পুখৎতুনা লাইকন্নখ্রে। অতেক – অকাই মরকতা হৌজিকশু মীওই কয়া ননশিনদুনা লৈরমগনি হায়বগী মীপাইবা লৈরি। বম্বুলা শাফম অদু ৱারিস অহমেদ কৌবা মীওই অমা গীনি হায়বা খঙবা ঙম্লে।

দিষ্ট্রিক কলেকটর ভারত য়াদপনা ফোঙদোরকখিবদু শিন্মী কয়া ফেক্তরি মনুঙদা থবক শুরিঙৈদা মৈ অদু হৌরকখিবনি। মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বা চপচানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক কনাগুম্বা খরনা অচাকপা বিরি মফম অদুদা লঙশিলম্বদগী মৈ অদু হৌরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বগী চিঙনবা লৈ হায়রি।

ফেক্তরি অদু খুঙ্গং অদুগী মী তাদবা মফম অমদা শাবনি। অকনবা চেকশিন থৌরাঙ লৌখৎতুনা চাক্লিবা মৈ অদুদি মুথৎপা ঙমখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

সেন্ট্রল ইন্সটীট্যুট অফ প্লাস্টিক্স ইঞ্জীনিয়রিং এণ্ড টেক্নোলোজী, ইম্ফাল

**CENTRAL INSTITUTE OF PLASTICS ENGINEERING & TECHNOLOGY (CIPET), IMPHAL**

Department of Chemicals & Petrochemicals, Ministry of Chemicals & Fertilizers, Govt. of India.
(An ISO 9001:2008 Certified National Institution)
Takyelpat, Industrial Estate, Imphal-795 001, Phone no: 0385-2413523 / 8974060031
Fax: 0385-2413899, Email: cipetvtcimphal@gmail.com, Website : www.cipet.gov.in

**ANNOUNCES SPECIAL SUMMER TRAINING PROGRAMMES**

| SL. No | COURSES | COURSE FEE | DURATION | ELIGIBILITY | COMMENCEMENT (Tentative) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | BASIC COMPUTER COURSE | Rs.1499 | 120 Hrs. | (VIII)Std. & above | 14th June, 2017 |
| 2 | DTP & INTERNET | Rs.1999 | 180 Hrs. | (X)Std. & above | 14th June, 2017 |
| 3 | AUTO CAD 2013 | Rs.2800 | 180 Hrs. | DIPLOMA/DEGREE in ENGG | 14th June, 2017 |

**Salient feature of the programmes:**
* Dedicated & experienced faculty
* One student one computer
* Live Projects
* Personality Development classes

Registration Form can be obtained from the Institute on any working day on or before 14th June 2017

For details contact - 8974060031

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Sagolmang, Imphal East. Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 329/SDC/SLG/IE/2017*
*05/06/2017*

Leitanthem Bangkeshwor Singh S/O Late L. Sanatomba Singh of Waithon Mayai Leikai.

***- Petitioner***

***-Vrs-***

Late Leitanthem Bisheshwor Singh S/O Late L. Sanatomba Singh of Waiton

***- O. P.***

**NOTICE**

*Sagolmang, the 5th June, 2017*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তাহশিল খুলনং 31 - Waiton পট্টা নং 492 অরীবা 1492 অনৌবা, দাগ নং 2229 মোট এরিয়া 0.63 একর চাওবা Phourel লৌফমগী পট্টাদা মৃত্তু ওইখ্রে মরমর অসিনা মথক্কী পেটিস্নার অসিনা মৃত্তু পট্টাদারগী মিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপট্টি (Objection) তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপট্টি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
**Sagolmang,** Imphal East

*SL/2258(b)/08*

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Sagolmang, Imphal East. Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 340/SDC/SLG/IE/2017*
*06/06/2017*

1. Gopalkumar Thapa S/O Tek Bahadur Thapa
2. Satrughan Thapa S/O Tek Bahadur Thapa
3. Kush Thapa S/O Tek Bahadur Thapa
4. Ashok Thapa S/O Tek Bahadur Thapa.
Of Pangei

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Tek Bahadur Thapa S/O Sase Thapa of Pangei.

***- O. P. S.***

**NOTICE**

*Sagolmang, the 5th June, 2017*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তাহশিল খুলনং 12 - Pangei পট্টা নং 162 অরীবা 91 অনৌবা দাগ নং 1247 মোট এরিয়া 0.35000 একর চাওবা Ingkhol ইংখোলগী পট্টাদা মৃত্তু ওইখ্রে মরমর অসিনা মথক্কী পেটিস্নারশিং অসিনা মৃত্তু পট্টাদারগী মিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপট্টি (Objection) তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপট্টি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
**Sagolmang,** Imphal East

*SL/2258(c)/08*

*পূক্নিং লৌশিং* | *বামোন অমুমচা*

## পুন্সি অমসুং শিংনবা

সাইন্সকী কলেজ অমগী বাইওলোজি তন্বীবা ওঝা অমনা লেবোরেটরিদা মহাক্কী মহৈরোইশিং অদু কৌশিল্লগা মতৌ করম্না তিনখাক্তগী কুরাক ওল্লকপগে হায়বদু হকথেংননা উৎনবা থৌরাং তৌরম্মী। মহাক্না মহাক্কী মহৈরোইশিং অদুদা হায়রকই, “নখোয় য়েংউ, মফম অসিদা লৈরিবা তিনখাক্কী মহুমশিং অসিদগী ইকুই কুইদনা কুরাক মচাশিং থোরক্লগনি। মতৌ করম্না থোরকপগে হায়বদু মুন্না য়েংউ। মদুদা যুম্ফম ওইরগা রিপোর্ট অমা ইগদবনি। খূৎনা নৎত্রগা খূৎলায়না শোকলু পল্লুবা য়ারোইকো।”

ওঝা অদু লেবোরেটরিদগী থোকখ্রগা মহাক্কী কাদা চঙদুনা ফমখ্রে। লেবোরেটরি অদুদা লৈহৌবা মহৈরোইশিং অদুনা তিনখাক মহুম ময়াম অদুদগী কুরাক মচা থোরকপগী মওংশিং অদু মুন্না য়েংদুনা নৈনরম্মী। মহুমশিং অদুদগী কুরাক মচাশিং অদু থোরক্লবা হোৎনবদা য়ামনা ৱানা হোৎনবা উরম্মী। তশেংনা হায়রবদা মখোয়গী অনৌবা পুন্সি অদু ফংনবা হোৎনবদা অকনবা শিংনবা অমদি মুক্লবা মায়োক্লবা তারম্মী। মহৈরোইশিং অদুগী মরক্তগী অমদি কুরাক মচাশিং অদুনা মহুমদগী থোরক্লবা হোৎনবদা ৱারবা মওং অদুদা মীনুংশি পোক্লম্মী। মহাক্না কুরাক মচা অমা মহুম অদুদগী তপ্না শত্তোকপীরম্মী। অদুবু অৱাবদি কুরাক মচা অদু খুদক্তা শিরম্মী।

ঐখোয়গী পুন্সিদসু অদু মঙাই ঐখোয়না পুন্সিদা চাওখৎপা নুংঙাইবা ফংগে খল্লবদি অৱাবা শিংনবা মুক্লবা মায়োক্লদবা য়াদে। অৱাবা অমদি মুক্লবা হায়বসি মীথোই মীহেনবা পুন্সি অমগী তঙাইফদবা পাম্বৈ অমনি।

অদুবু হৌজিক্কী মতমদা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু অৱাবা মশক খঙহন্দনা মখোয়গী অপাম্বা তঙাইফদবা পূম্নমক ফংহন্দুনা য়োক্লকপনা পুন্সিদা শিংনবা মুক্লবগী মতিং অদু ফুদোকহন্দনা থম্বা য়াওদবা নত্তে। মসিনা মখোয়গী মচা মশুশিং অদুগী পুন্সি লম্বী শেম্বীবগী মহুত্তা অঙাংশিং অদুগী তুংগী পুন্সিদা মশা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবগী শক্তি পীবিদবা ওইনা থোক্তবসু নত্তে।

EMPLOYMENT NEWS

## থবক্কী পাও

**WAPCOS recruitment 2017 advertisement 17 Various Vacancies**

WAPCOS Limited released new notification on their official website wapcos.gov.in for the recruitment of total 17 (seventeen) jobs out of which 06 (six) vacancies for Electrical Engineer, 01 (one) for Computer cum Data Entry Operators vacancy. Job seekers should apply on or before 13th June 2017.

Government Organization:- WAPCOS Limited
Designation:- Electrical Engineer, Computer cum Data Entry Operators
Posting:- Tripura, Manipur, Nagaland, Assam & West Bengal
Official website: wapcos.gov.in
WAPCOS recruitment 2017

Electrical Engineer: 06 Vacancies
Qualification:- Candidates who wanted to participate for WAPCOS Electrical Engineer job should have ME/BE in Electrical Engineering.
Computer cum Data Entry Operators: 01 vacancy
Qualification:- Aspirants who decided to join WAPCOS Computer cum Data Entry Operators posts should have Graduate in any Field.
Age Limit:-
Electrical Engineer: 55 years
Computer cum Data Entry Operators: 35 years
Selection Process:- WAPCOS will be conduct the Interview for Electrical Engineer, Computer cum Data Entry Operators vacancies.

How to apply for WAPCOS recruitment 2017:- Interested applicants may send their CV in the prescribed proforma along with copies of their educational qualifications and experience certificates send to Chief Engineer & Regional Manager (ER) WAPCOS Limited Jalasampad Bhawan, 10th Floor, Salt Lake City, Kolkata – 700091 West Bengal on or before 13.06.2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission End Date: 13.06.2017

**LICHFL recruitment 2017 Notification web designer, Web developer & data base programmer posts apply at lichousing.com**

LIC housing Finance limited (LICHFL) released new notification on their official website for the recruitment of 08 web designer, Web developer and data base programmer vacancies. Job seekers should apply online before 10th June 2017.

Govt. Agency Name :- LIC housing Finance limited
Job Name:- web designer, Web developer and data base programmer
Posting:- Maharashtra
Application date:- 10th June 2017
LICHFL latest News 2017
Web Designer:- 02 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Web Designer should have MCA / BE / B.Tech / B.Sc. in the field of computer science / IT with minimum aggregate 60% marks from a recognized university.
Salary Structure:- Rs 8 to 10 Lakh Per Annum
Web Developer:- 04 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Web Developer should have MCA / BE / B.Tech / B.Sc. in the field of computer science / IT with minimum aggregate 60% marks from a recognized university.
Salary Structure:- Rs 8 to 10 Lakh Per Annum
Age Limit:- 25 to 30 years as on 1st January 2017.
Selection Process:- Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview.

How to apply for LICHFL vacancies 2017:- Applicants may submit their resume online through www.lichousing.com on or before 10th June 2017.
Important Dates to remember:-
Closing Date: 10/06/2017

**SAIL Recruitment 2017 Apply online for 27 Various Vacancies at sail.co.in**

Steel authority of India released new notification on their official website for the recruitment of 27 general duty medical officer and specialist / medical of surgeon vacancies. Job seekers may appear walk-in-interview 14th June 2017.

Govt Department:- Steel authority of India
Post Name – general duty medical officer and specialist / medical of surgeon
Job Location:- West Bengal
Interview Date:- 14th June 2017
SAIL Latest Jobs 2017
General Duty Medical officer:- 16 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for General Duty Medical officer should have MBBS from a recognized university / institute recognized by MCI.
Salary Structure:- Rs 40000/- Per Month
Specialist / Medical of Surgeon:- 11 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Specialist / Medical of Surgeon should have MBBS from a MD / Diploma in specialist from MCI recognized university / institute..
Salary Structure:- Rs 30000/- Per Month
Age Limit:- Maximum 70 years as on 1st January 2017.
Selection Process:- Walk-in-interview
How to apply for recruitment SAIL 2017:- Applicants may appear for interview for interview along with prescribed application for along with original and one set of self – attested photocopies of certificates.
Important Dates to remember:-
Walk-in-interview Date: 14/06/2017

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 561/SDC/P of 2017*

1. Kshetrimayum Arunkumar Singh S/O (L) Mangi Singh of Kongpal Mamang Sabal Seikai.
2. Ksh. Premkumar Singh S/O (L) -do- of -do-
3. Ksh. Priyokumar Singh S/O -do- of -do-
4. Ksh. Basanta Singh S/O -do- of -do-.

***- Petitioners***

***-Verses-***

M. (N) Ksh. (o) Pishak Devi W/O (L) Koireng Singh of Kongpal Chanam Leikai.

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 7/6/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 29 - Top Naoriya গী Patta No. 273 (অরিবা) 120 (অনৌবা) C.S. Dag No. 62 area .30 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

*SL/225/08*

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Sagolmang, Imphal East. Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 328/SDC/SLG/IE/2017*
*05/06/2017*

1. Khuraijam Sanajaoba Singh S/O Late Khuraijam Apabi Singh
2. Khuraijam Bhogen Singh S/O Late Khuraijam Apabi Singh of Khurai Kongpal Chingangam Leikai.

***- Petitioners***

***-Vrs-***

1. Late Khuraijam Apabi Singh S/O Late Dhabali Singh of Kongpal Chingangbam Leikai.
2. Khuraijam Tombi Singh of Kongpal Chingangbam Leikai (Dag No. 1022)

***- O. P. S.***

**NOTICE**

*Sagolmang, the 5th June, 2017*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তাহশিল খুলনং 22 - Keibi Khullen পট্টা নং 122, 144 অরীবা 27 অনৌবা দাগ নং 1022, 1024 মোট এরিয়া 2.14000 acres একর চাওবা Anganphou লৌফমগী পট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নার অসিনা মৃত্তু পট্টাদারগী মিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপট্টি (Objection) তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপট্টি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
**Sagolmang,** Imphal East

*SL/2258(a)/08*

## শগোলশেম হেমন্ত

## খেংজোই চীংশাংদা

*(মণিপুর অমদি মপান লমগী পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৱা–নুংঙাই পাউদম লাইরিক্লি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরুল্লক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী মশীং য়ান্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

৫

### শিদহিদাক ওলহনবা খূৎ

*ঙরাংগী মখা...*

মণিপুর তুরেলগী ঈচেল অদু চুন্না শুম য়েংবদদি য়ান্না মপুকচেল তপ্পা ঈচেল অমগুম উখি। ৱাংমগী তোর্ব্বান অদোমদা লাম্থোক্লবা খুকউমুক লুবা ঈশিংদুদা কুমথরুববু ফজনা লেপ্পা ঙমদে, ঈচেলদুনা চেম্থগে তৌই। হূই অদুদি মতোমতা লাম্থোকপদা ঈচেলদুনা চেম্থবদগী কাদর অমনা লুসমদা পায়রগা লাম্থোকপিখি। থাংলিবা খোঙথাং অদুদা চুন্না চৎখিবা, অঙম্বা কাখিবা নৎত্রগা কুমথবা অদুদি খোঙথাং অদুগী রিদম অমগা লোয়ননা চৎপনি। অদুগা নূংলক্তা, অকুৎ অতোং মরক্তা চৎপসিদি মঙম ইশান শানবা ঙমদে। তোর্ব্বান অসিদগী য়ুংখৎখ্রিবা অঙম্বা চীং অমদি অশুকপা উমং অদু ফাওরগা চৎকদৌরিব্রা হায়না খল্লম্বনি অদুবু লায়বক ফবদি তুরেল তোর্ব্বান মরীল তুংইন্না হাইগৎলকখি। অঙম্বা চীং কাদ্রে, লায়বক ফরে হায়না খল্লম্বদু অরেম্বা ওইখ্রে। তোর্ব্বান্দা লৈরিবা অচৌবা নুংজাউ, ঈশিংনা চামথোকখ্রবা অকুৎপা মফমশিং অদুদা চৎপদুদি নোংমা চুপ্না লাকপা চীংগী য়ুংখৎপা অমদি য়ুংথবা লম্বীদুদগী হেন্না অৱাবা ওইখ্রে। নুংঙাইবা অমতা হেক থেংনদে, অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তা। খর ফগদ্রা খল্লুই, হেন্না ফৎলমদে। মসিদগী হেন্না ফত্তবা থেংনগনি হায়না খল্লগা, মসিদি অৱাবা নুংঙাইবা ফাওই। সিনি চীংনুং মান্নুংগী পুন্সি।

মাঙদা চৎখিবা, মাঙজিল থাবা এম. পি. এ. গী কাদর ২০ অদুনা খরা কোকপা, লৈতেম মান্নবা মফম অমা খল্লগা অহিং য়ারেকফম শেম শাবগা লোয়ননা চাক থোংনবা থৌরাং লোইরম্লে। ঐখোয়না থুংলুবা মতমদু নুংথিলগী পুং ৪.৩০ মুক তারে। ঐখোয়না মথং মথং থুংলবদু উবদা হান্না লৈরম্বশিং অদুগী মরক্তগী অমনা হায়রকই,

মথং মথং ...

## য়ুমগী লায়য়েং

*শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ*

### চাবা (চিঙ্গাক)

*ঙরাংগী মখা...*

মাদু ঐখোয়না হোল্লিবা শ্বরদগী ওক্সিজেন লৌবনি। চিনি অমসুং চনাং চারগা ঐখোয়গী লুন্নিবা অমসুং শাগৎচবা ঙমহল্লিবা খোঙচৎ অসিমক্নি। আলকোহোল অসি কেমিকেলদা মরী লৈনবনি অদুনা, চাকথেক্লগা নৎত্রগা মৈশা পীনবা শীংগুম শীজিন্নবা য়াই। চীঙ্গাক অমগুন্না মসিনা মৈশা পীবা ঙমই। মৈশা পীনবা “শীং” অসিগী শরুক খরা ওইনা পীবা ঙমই। অদুগা পূন্নমক পুবদি ঙমদে। চুন্নগী মীওই অমনা আলকোহোল ওক্সিদাইজ তৌদুনা মৈশা পীবা ঙম্বসি নোংমদা ১৩০০ গী হীংদনি। শাজেন তৌদবা মী অমগী চঙবা কেলোরীগী তংখাই অমগী চাংনি। হায়রিবা কেলোরী মপী অসিদি হকচাংগী মৈশা পী হায়বতনি। থবক তৌবা ঙম্বা পাঙ্গল ওইনা মসলদা খক পীবা ঙমদে। শোনদুম শোম্থহল্লি। ৱাখল খনবা ঙম্বগী চাংসু হম্থহল্লি। অদুন্নদি ওইরগা আলকোহোলনা পীরিবা মৈশা অসি মসল শীজন্নরগা থুনা লোইথোকপা ঙমই। য়ু ঙাওবনা কোয়চৎ চৎলগা, হাই–হুন্নগা থুনা য়ু ঙাওবা ফরকই। হেনমনখ্রবদি অদুম ৱাম্থদুনা লৈখ্রগনি। অদুগা আলকোহোল অসিনা মরী অসি পুমশি শিথহনবা অমসুং ঙাওহনবা মখলগী ফিভম অমা পুরকপনা মসল অসি মরীনা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লক্তে, মসলদা পাঙ্গল পীবা ওইথোক্রে। মদু চাবদা হৌজিক আলকোহোল হাপচিনবসি শা, ঘী–থাউ, চাক, তল, হৱাই অসিগুম্বা মৈশা পীবা পোৎশক ঙাক্তা চানরবনিনা অমুক্তা য়ুদগী নিশা হাপচিল্লবদি মী অদু চাকথেক্লবা শীংদা পীবিরে। শীং নত্তবা অমুং হিংনবগী পাঙ্গল পীবা পোৎ ৱাৎপনা চাবদা ৱাত্তুনা অমসুং হেনমন্দুনা থৱায়গী ওইবা পোৎচঙ ফংবা ঙমদে। মরম অসিনা আলকোহোল অসি চিঙ্গাক ওইনা শীজিন্নবদা মৈশা পীবদগী হেন্দে। মরী–মতাং পুম্মাং মাঙহল্লি। হকচাংগী মনুংগী ইন্দ্রি পূন্নমক লোইনবা শোকহল্লি। আলকোহোল অসি ষ্টিমুলেন্ট তোনিক ওইনা শিজিন্নবা য়াই হায়না খন্নরম্মী। অদুবু মরী পূন্নমক শিথহনবা হূনি হায়বসি য়ু য়ান্না থক্তুনা ঙাওরবা মী অদুনা অদুম তাকই। মপামবোম থাংগৎচবা ঙমজদে অদুগা ৱাখল খনবদি লায়রদুনা মরোল ফাওবা থোক্তে, থোপ মরী অসি পূমপঙ পঙথহন্দুনা থমই। মসল পেরেলাইজ তৌই। ব্রেননা ষ্টুপর ওইনা থমই করম্বা মখলগী তোনিকনো? ঈথর, ক্লোরোফোরমগা আলকোহোলগা করি খেন্নৈ। জ্ঞান লৈহল্লরোই পঙথহল্লগে হায়বা মতম অদুদা শীজিন্নগদবনি।

খ্বাইদগী মরু ওইনা শোক্লিবা “সেল” অসিদি থোপকী সেলনি। মীওইবগী চাউখৎ খোঙচত্তা নৌনা শেমগৎলকইবা অৱাংবা অমসুং থোইদোক হেন্দোকপা মখলগী ওইনা চাউখৎলক্লিবা ব্রেনগী সেল অসি আলকোহোলনা থীনা শোকহল্লি। য়ু অসি অহানবা হেক থকপদা নৎত্রগা হম্বা চাংদা খজিক্তং পীরবসু, ব্রেন সেন্টর অসি হেক্তা শোকহল্লি হায়বসি উবা ফংই। অদুদগীনি মীওইবনা থিংজবা, তোকচবা, থাদোকচবগী জ্ঞান মাঙলকপা অমনা মশাগী দায়িত্ব করিনো খঙলক্তবা লাকইবনি।

মথং মথং ...